# ওক্কোন শেংদোকপগী কাঙলোন খরা

ডো. সরাংথেম জেসমারানি



ওক্কোন শাবা মতমদা চাফম-থকফম অমদি কুনফম-তূম্ফম, মথি-ময়ুং ফাইফম-হানফমগা তিন্নহল্লোইদবনি। মচিঞ্জাক চাফম-থকফম বাগোসশিংদু লৈমায়দগী ৱাংহন্দুনা মথি-ময়ুংগা তোৎন-তিন্নহল্লোইদবনি। নুমিৎ খুদিংগী মতম চানা ওক্কোন মনুং-মপান অমসুং নালাগী মথি-ময়ুং শিত্তোক-চামথোকপগা লোয়ননা ওকশিংবু তরূ-তনান্না থন্বীগনি। মসিগীদমক মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি পাঙথোকপীগনি।

- লায়না চেন্দবা ওকশিংগী মকোক শেংদোকপা :-

ক) নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা মচিঞ্জাক থাবীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মকোন মনুংগী লৈমায়দা তাবা মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোক্কদবনি। পকশিন্দুনা লৈবা মথি মপং অদু অকনবা ব্রস নৎত্রগা শুমজিৎ অমনা তকথোক-খোৎতোক্লগা লৌথোক্কদবনি। মপংগী শরুক লৌথোক্লবা মতুংদা শুধা-সাপোন হাপ্লগা ঈশিংনা লৈমায়দু নত্তনা ওকশিংনা ফংবা য়াবা মফম খুদিংমক শেংনা চামথোকপীগনি। চাফম-থকফম বাগোশশিংদি ঈশিং অশেংবনা অমুক হন্না চামথোক্কদবনি। চামথোকপদা খূৎলোয়নবা পোলিথিন পাইপ মচা অমগী মতেংনা প্রেসর য়াওনা ঈশিং কাপথোকহনবীগনি।

খ) নুংথিলগী নুংশা শাগৎলকপা মতমদা ওকশিংদু ইরুজবীবগা লোয়ননা ঈশিংনা অমুক ওক্কোনগী লৈমায়, ফক্লাংনচিংবা চামথোকপীগনি।

গ) ওক্কোনগী মপান্দা লৈবা ওকশিংনা চৎফম, শান্নফম অমদি শাজেল তৌফম ওইরিবা মফম খুদিংমক্তা মথি-ময়ুং তুংশিন্দুনা লৈহল্লোইদবনি। মথি-ময়ুং শেংনা লৌথোক্লবা মতুংদা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা চাইথোকপীগনি।

- লায়না লৈবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :-

ক) ওকোনগী মরুওইবা থোঙ লোনশিন্দুনা মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

খ) মকোন মনুংদা লৈবা মথি-ময়ুং নত্তনা কুনফম-তূম্ফম ওইনরম্বা চরূ চনাই খুদিংমক শেংনা লৌথোক্লগা মৈ থাদোক্কদবনি নৎত্রগা ওকশিংনা ফংলোইদবা মফমদা লুনা তৌদুনা ফুমজিনবীগনি।

গ) ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনচিংবদা শেংনা শেংদোক্লবা মতুংদা ফিনাইল ২% নৎত্রগা শুধা ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চামথোক্কদবনি।

ঘ) ওকশিংনা চঙফম, শান্নফম লৈমায়দু লৈবাক ওইরগদি ইঞ্চি ২/৩গী লৈরোল মথং থংবা লৈমায়দগী লৌথোক্লগা মফম চানা ফুমজিনবীগনি। লৈরোলদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা ফিনাইল ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।

ঙ) ওক্কোনলোমদা চঙফম ওইরিবা লম্বী অদুসু ফিনাইল ৫% নৎত্রগা ফোর্মেলিন ৫-১০% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।

চ) ওক্কোনগী মরুওইবা চঙফম গেট মমাঙদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিন্নবা ফিনাইল ১০% সোলুসন থমগনি।

ছ) ওক্কোনগী মনুং মপান অনীমক্তা দিসইনফেক্টেনশিং নোংমদা অনীরক চাইথোকপীগনি।

- মথি-ময়ুং মফম চানা য়েংলগা পুথোকপা :-

ক) ওক্কী ফার্ম অমা থম্নবা হোৎনবদা অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা মথৌ তাবশিংগী মনুংদা মথি-ময়ুং হুন্দোক্লবা মফম চানা খনবা য়াম্না মরু ওই। নোংমদা ওক অচৌবা ১০না মথি কিলো ৩৫-৪০ ফাই অদুগা ময়ুংনা লিটর ৬০-৭০ রোম হান্দোকই। ওক য়াম্না থমদবা ওইরগদি ইঙ্খোলনচিংবা মফমদা হৌবা পান্বীশিংগী হার ওইনা পুথোকখিবা য়াই। অদুবু লায়না লাকপা মতমদদি মসিনা লায়না শন্দোকহনবা য়াবগী ৱাফম লাকই। খ্বাইদগী ফবদি বাইওগ্যাসকী প্লান্ট ওইনা টেঙ্ক অমা চল্লগা নুংশিৎ চংহন্দনা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না তীলনা শন্দোরকপা থিংবদা নত্তনা মিথেল গ্যাস থোকহন্দুনা মৈ ওইনা শীজিন্নবা ঙমই। ওক ২০গী মথি-ময়ুংদা নোংমদা মিথেল গ্যাস লিটর ৩৫০০ রোম পুথোকপা ঙমই। অসুম্না নুংশিৎ চঙহন্দনা লৈরোন মনুংদা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না অয়াম্বগী হৌরকফম ওইরিবা মহিক মতাং লোইনা হোৎতোক্তুনা লায়না শন্দোকহন্দবগী পান্বে অমা ওই।

খ) ফার্মগী অকোয়বা অমসুং মনুংদা অতোপ্পা মপানগী মীওই, হুই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি লম শানচিংবা চঙহল্লোইদবনি। মীতোপশিং ফার্ম মনুংদা চঙবা তারগদি খোঙউপ, ফিনাৎ অমসুং মফি-মরোল হোংদোকহনগদবনি। লোয়ননা ফার্মগী ম্যেন গেটতা থম্বা দিসইনফেক্টেন সোলুসনদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিল্লগা মনুংদা চঙহনগদবনি। অদুবু ওক্কী লায়না য়াম্না কন্না শন্দোরকপা মতমদদি ফার্ম মনুংদা মী চঙহল্লোইদবনি।

গ) চগুম চনাই অমদি শা-ঙা শেম শাবগী মহি-মচুম, অরেম-অতানা মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা তারবদি মশক খঙবা মফমদগী লৌগদবনি। চগুম মরক্তা চুরুট, বিড়ি, খৈনি, জর্দা, সর্ফ-সাপোন অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা হু ওইগদবা পোৎশক য়াওহল্লোইদবনি। চগুম-চনাই খুদিংমক পীজদ্রিঙৈগী মমাঙদা চামথোকপীরগা শৌদোকহল্লবা মতুংদা পীজবীগনি।

ঘ) অমোৎপা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিং কৈদৌঙৈদসু ওক্কী পীজ-পীথক্কী ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

ঙ) শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপি-শিংবী ওক্তা পীজবিরোইদবনি। থাদোক্তুনা লোইবা ওকশিংগী শজিক চাফম অমদি শান্নবুং থা ৩ খুদিংগী হোংবীগনি।

মথক্তা থমজরিবা থৌরাংশিংসি ওক লোয়বীরিবা মীওইশিংনা পাঙথোকপীদুনা মায় পাক্না শেন্দোং লৈনা ওক লোয়বীগনি। ●

# ক্লাইমেট চেঞ্জনা ফিসরিজ অমসুং এক্বাকলচরদা পীরিবা চৈথেং

ডো: য়ুম্নাম বেদজিৎ







নোংজু-নুংশাগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাকপনা ফিসরিজ অমসুং এক্বাকলচরদা অসুক্কী মতিক অকায়বা পীরি। মালেমগী ওইনা শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা পোলারগী লমদা লৈবা উনশিং শৌদোরক্তুনা সমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা অকায়বা কয়া পীরি। খুদম ওইনা হায়রবদা সমুদ্রদা তাবা তুরেলশিংদা থুমহি চেনবা ঈশিং চংশিল্লকপগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ঙাগী ফার্ম কয়াদা অকায়বা পীরি। থুমহি চেন্দবা ঈশিংদা লৈবা হৈনবা ঙা কয়া মাঙশিল্লক্তুনা থুমহি চেনবা ঈশিংদা লৈবা হৈনবা ঙা কয়ানা মহুৎ শিল্লকপা কয়াসু সমুদ্রদা তারক্লিবা তুরেলশিংদা থেংনরি।

বৈগ্যানিক কয়ানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিদদি সমুদ্রগী ঈমাই অসি সেন্টিমিটর ১০দগী ৯০ ফাওবা হেনগৎলক্লি। কুমজা ২১০০ ফাওবগী মনুংদা সমুদ্রগী ঈমাইগী শাবগী চাংসি সেলসিয়স দিগ্রী ১.৪দগী ৫.৮ ফাওবা হেনগৎলক্কনি হায়না পানরি।

ঙাশিং অসিদি কোল্ড ব্লদেদ ওইবনিনা ঈশিংগী অঙৈং-অশা খেন্নবগী মতুংইন্না শাগৎলকপগী মতুংইন্না খরা ঈংবা মফমদা চৎখিগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ইক্বেটর ময়াদা লৈরম্বা ঙাশিংনা ঈশিং শাগৎলকপগী মতুংইন্না ইক্বেটরদগী খরা লাপথোকপা মফমদা চৎতুনা লৈখিগনি। মসিদসু নত্তনা ঈশিংগী অঙৈং-অশাদা অহোংবা লাকপগী মতুংইন্না মফম অমদা হান্ননা ফংলম্বা ঙাগী মচিঞ্জাকশিংদা অহোংবা কয়া লাক্কনি লোয়ন-লোয়ননা ঙাদা অকায়বা পীবা পোৎশক কয়া অমসু পুথোরক্কনি।

ঈশিংগী অঙৈং-অশাদা অহোংবা লাকপদা নত্তনা কার্বোনদাইওক্সাইদ ($Co_2$) গী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা সমুদ্রগী ঈশিং শিলহল্লকই। ঈশিং শিল্লকপনা মরম ওইদুনা সমুদ্রদা লৈবা জীব কয়া কেলসিফিকেসন তৌবা ঙমদবদগী অচৌবা অকায়বা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ঈশিং শিনজিল্লকপনা মরম ওইদুনা সমুদ্রদা লৈবা কোরেল কয়া তুমশিল্লকপগী খুদোংচাদবা কয়াসু লৈরি। খুদম ওইনা হায়রবদা অমত্রেলিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি কোরেল কয়া পূনশিল্লগা শেম্বা লৈবাক অমনি। মরম অদুনা কোরেলশিং তুমশিল্লকপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ওসিন করেন্ট হায়বদি সমুদ্রগী ওইবা ঈথক ঈপোম কয়াদা অহোংবা কয়া লাকপনা মরম ওইদুনা ঙাগী দিসত্রিব্যুসন্দা অচৌবা অহোংবা কয়া থেংনরি।

চৎলিবা চহী অসিদা মণিপুরগী ওইনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইদুনা ঈকং থোক্লে। ঈকং থোক্লবনিনা ঙরা য়োকপদা অচৌবা অকায়বা পীরে। মরম অদুনা ঙাগী পোত্থেক অসুক্কী মতিক হন্থরগনি। মসিদসু নত্তনা ঙা মচা পুথোকপদা অচৌবা অকায়বা পীরি। নোং চুদবনা মরম ওইদুনা ঙা মরূম পুবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা সিন্থেটিক হোর্মোন শীজিন্নদুনা মরূম কোকহনবা তারবসু মরূম কোকপগী চাং হন্থে অমদি মচা ওনবগী চাংসু হন্থে। মচা ওল্লবা মতুংদসু হিংবগী চাং য়াম্না হন্থে। মরম অদুনা মণিপুরগী ওইনা ঙা মচাগী অচৌবা অৱাৎপা লৈরগনি।

হৌজিক হৌজিকমকসু মণিপুরদা পুথোকচবা ঙা অসি অসুক্কী মতিক তাঙই অমদি লৈবা ফংনদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরম অদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা ঙাগী অৱাৎপা খরমখৈদি মেনখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা মীপূম খুদিংমক ৱাখল তামিন্নদুনা তুংগী মীরোলগীদমক্তা অকোয়বগী ফীভম কনবদা শরুক য়ামিন্নরসি। ●

# ওর্গানিক ফার্মিংগী মতমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং -৩

ডো. ৱাইখোম জিতেন

মালেমদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত জীব খুদিংমক মচিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। মরম অসিনা ওর্গানিক ওইবা মওংদা ফার্মিং তৌবীবা মতমদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ভর্মিকম্পোষ্ট হায়বসিসু অমনি।

তিন্থ্রোক্লা চাবা য়াবা অমদি য়াদবা পোৎলমশিং :-

ভর্মিকম্পোষ্ট শেম্নবগীদমক তিন্থ্রোক্তা অয়াম্বা পোৎলম খুদিংমক পীজবীবা য়াই। তিন্থ্রোক্লা চাবা ঙমদবা পোৎলম হায়বদি গ্লাস, প্লাষ্টিক, নূং অমদি তোঙান তোঙানবা ধাতুশিং হায়বদি মহৌশাদা মথন্তা তুমজবা ঙমদবা/তুম্বদা মতম চংবা পোৎলমশিং অসিতনি। অমরোমদা অমুক মহৌশাদা মথন্তা তুম্বা পোৎলম ওইরবসু শাদোং, শারূ, থাওরেক য়াম্না য়াওবা পোৎলমশিং তিন্থ্রোক্তা পীজবীরোইদবনি। শঙ্গোম্না শাবা পোৎলমশিং য়েরূম, (মকুদি য়াই), মরূ-মরাং য়াম্না য়াওবা চানবা পোৎলমশিং, মোরোক, তিলহৌ, চনম্ন চিংবশিং য়ারিবমখৈ তিন্থ্রোক্তা পীজবিরোইদবনি। পেকিং নৎত্রগা কৌতাদা হানবা চানবগী পোৎলমশিং তিন্থ্রোক্তা পীজবিরোইদবনি। কোমলা, চমপ্রাগী কাঙলূপকী হৈশিং তিন্থ্রোক্তা পীজবিরোইদবনি। য়েনগোন্দগী লৌথোকপদা ঙাইরিবা য়েন্থি তিন্থ্রোক্তা পীজবিবা য়াদে। করিগুম্বা পীজবিগে হায়রবদি য়েন্থি অদু পৈদুনা থম্বা মতমদা মখা তানা শাগৎত্রবা য়েন্থিখক পীজবীগনি। অমরোমদা অমুক ওক্কী মথী অসিসু য়াম্না হৈশিংনা কেলসিয়ম সলফেটকুম্বগা তোৎশিন্দুনা মতম খরা থম্বীরবা অদুগা অমুক চামথোকপীদুনা পীজবা নত্তনা ফাইবদা ঙাইরিবা ওকথী তিন্থ্রোক্তা পীজরবদি তিন্থ্রোক অদু পুং ২৪গী মনুংদা শি। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিদা নত্তনা হামেংগী মথীসু কা হেন্না কংমনবনা মরম ওইদুনা তিন্থ্রোক্লা চাবদা খুদোং চাদে। মরম অদুনা তিন্থ্রোক্তা পীজবিরোইদবনি। চনাংগী চাং কা হেন্না য়াওবা পোৎলমশিংসু য়ারিবমখৈ তিন্থ্রোক্তা পীজবিরোইদবনি।

তিন্থ্রোক্তা পীজবদা খ্বাইদগী ফবা পোৎলমশিংদি মহৈ-মরোং লোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা পাম্বীগী লেমহৌখাক, চাকখুমদগী থোরকপা ফত্ত-হৌদিশিং, নাপি, উনা-ৱানা, শীজিন্নরোইদবা পাউচে, লাইরিকনচিংবা পনবা য়াই। অমরোমদা অমুক ষণ, ইরোইগী মথী-ময়ুং অমদি য়েন-ঙানু, হামেং, ওক, য়ূমদা য়োকপা হুই-হৌদোংগী মথী নত্তবা অতোপ্পা শাশিংগী মথী-ময়ুং তিন্থ্রোক্তা পীজবিবা য়াই।

তিন্থ্রোক য়োক্লবা মফম শেম-শাবা :

তিন্থ্রোক য়োক্লবগীদমক মফম অসি চেকনা নৎত্রগা পোলিথিন বেগনা শেম্বীবা য়াই। শেমগদৌরিবা মফম অদু মায়কৈ অমদা খরা কুৎথহনবীগদবনি। মদু মখুল অমা ফাৎপীরগা অহেনবা মহী মচুম চেন্থোকখিবা অদুগা মহী অদু লৌশিনবা য়ানবা শেম্বীগদবনি। লৈগদৌরিবা মফম অদুগী অকোয়বা অদু ঈশিং থুম্বা য়ানবা অপিকপা ইরম অমা হাপ্পীগদবনি। মসিনা তিন্থ্রোক লৈগদৌরিবা মফম অদুদা ককচেং চংগদবদগী ঙাকথোক্কনি।

তিন্থ্রোক থমগদৌরিবা মফম অদুগী মখা ইথং থংবদা কুপ্লপ্না থুগাইরবা চেকতেক্লা ইঞ্চি অনীমুক থানা মরোল অমা শেম্বীগনি। তিন্থ্রোক থমগদৌরিবা কোম অদু লৈমায়দগী সেন্টিমিটর ৫০দগী ৭৫ ফাওবা ৱাংহনবীগনি। কোম অদুগী অপাকপনা চাউরাক্লা সেন্টিমিটর ১০০ মুক পাকহনবীগনি। মসিদগী হেন্না পাক্লবদি ঐখোয়না তিন্থ্রোক য়োকপদা পায়-খৎপীগদবা থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াই। অদুগা কোম অদুগী অশাংবদি চাউরাক্লা ঐগী লৈগদৌরিবা তিন্থ্রোক্কী মচিঞ্জাক অদুগী মতুংইল্লি। অদুবু চাউরাক্লা কোমগী অশাংবা অসি মিটর ২ নৎত্রগা মসিদগী খরা ফাওবা হেনবা য়াই।

চেক্তেক থুগাইরগা ইঞ্চি ২ মুক থানা কোমগী মখা থংবা লৈরোল অমা শেম্বা লোইরবা মতুংদা মদুগী হেক মথক্তা ফোলি ওইনা তৌবা লৈবাক্লা সেন্টিমিটর ১৫দগী ২০ মুক থাবা মরোল অমা শীজিন্নবীগনি। লৈবাক্কী লৈরোল অদুগী হেক মথক্তা পথ্রবা খরা হৌরবা ষম্থি (চাউরাক্লা থা অনীমক শুরবা) গী ইঞ্চি অনীমক থানা লৈরোল অমা থম্বীগদবনি। মিটর ২ শাংবা মিটর ১ পাকপা তিন্থ্রোক কোম অমদা অহৌবগী ওইনা মপি ফারবা তিন্থ্রোক ১০০ গুম্বা থাজিনবীগদবনি। ঐখোয়না তিন্থ্রোক্তা পীজবীদবা পোৎলমশিং অদু য়ারবদি তেন্না মকক-মকক ককপীরগা ষম্থি অনৌবগী মহী হৈজিনবীরগা কাবক-কাবক পথ্রবা হৌহনবীরগা পীজবিবনা ফৈ। করিগুম্বা পীজবীগদবা পোৎলমশিং অদু অশংবা য়াওরবদি নুমিৎ ৮-১০ গুম্বা ফৌদোকপীগদবনি।

পীজগদৌরিবা কাবক-কাবক পথ্রবা পোৎলমশিং অদু ইঞ্চি ২ মুক থাবা লৈরোল লৈরোল ওইনা নুমিৎ মরি-মরিনিগুম্বা লৈরগা হাপ্পীগদবনি। কোম অদুগী মখা থংবা লৈবাক্কী লৈরোলদি শোকহনদবীদা মথক থংবদা লৈবা পোৎলমশিং অদু মতম মতমগী মথক মখা ওনবীবনা থুনা হার ওনবদা মতেং পাংই। অসুম্না পীজগদৌরিবা পোৎলমশিং অদু লৈরোল লৈরোল হাপচিনবীবা মতমদা ইঞ্চি ৬তগী ইঞ্চি ১২ থানা হাপ্পীগনি। মথক্তা পঞ্জখিবা কোমগী অচৌবা মফম অমদা হাপ্তা খুদিংগী ঈশিং লিটর ৩-৫ ফাওবগী চাংদা পেরে অমদা হাপ্পীরগা ঈশিং চাইবীগনি। অসুম্না শেম্বীরবা মফম অদুগী মথক অদুগা ষম্থি চে নৎত্রগা ফত্তবা লিমোন বোরানা কুপ্পীগদবনি। তিন্থ্রোক্তা পীজগদবা পোৎলমশিং অসি থা ৩দগী ৩ মখায় ফাওবগী মনুংদা হার ওনগনি।

ৱাওথাংনবা মচুগী তিন্থ্রোক মহীশিং অদু ঐখোয়না শীজিন্ননবগীদমক লৌথোকপীরমদাইদদি মথক্তা খুমলিবা বোর নৎত্রগা ষম্থি চে অদু লৈথোকপীগদবনি অমদি ঈশিং চাইবা লেপ্পীগদবনি। অসুম্না তৌবসিনা তিন্থ্রোকশিং অদু কোম অদুগী মখা থংবা শরুক্তা চংখগনি। ঐখোয়না তিন্থ্রোক মথীশিং অদু খরাই অমগী মতেংনা নিকপীরগা অপৌবা তিন্থ্রোক্লা চাহৌদ্রবা পোৎলমশিং অমদি তিন্থ্রোক মথী লৌথোকপদা য়াওরকপা তিন্থ্রোক খরা অদু খন্দোকপীরগা তিন্থ্রোক অদুনা কোমদা অমুক হাপচিনবীগনি অদুগা তিন্থ্রোক্লা চাবা ঙমদ্রবা পোৎশিং অদুনা তোঙান্না খন্দোকপীরগা ঐখোয়না থারিবা পোৎ চৈগী কাংখুল মথক্তা চাইশিনবীদুনা শীজিন্নবা য়াই। তিন্থ্রোক মথীশিং অদু নিক্কদবা নোংমা নৎত্রগা নীনিগী মমাঙদা কোম অমগী মচি মচিদা তাখৎপীদুনা থম্বীরগা য়ারিবমখৈ তিন্থ্রোকশিং অদু মখা থংবা লৈরোলদা চংহনবীখিগদবনি। নিকপা লোইরবা তিন্থ্রোক মথীশিং অদু ঐখোয়না থাগদৌরিবা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবীগনি।

ওর্গানিক ফার্মিংদা মরূ ওনশিনবীগে হায়রবদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিং অসি শেম শাবসু তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।